# য়ুক্রেনগী মতাংদা সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া তলকশুবা ওইনা য়াওখিদ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী ৱাফম অসি মেম্বর ১৯৩ লৈবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীনা ইমজেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নবা য়ানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগা ভোট লৌনখিবদা হান্নগুম্না ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস শরুক য়াখিদ্রে।

এসিয়াগী ব্লোক অমগী অপূনবা ৱারেপকুম লৈবাক অহুম্না ইমর্জেন্সি মীফম পাঙথোক্লবগী ভোট লৌনবা অদু শরুক য়াখিদবনি। রসিয়াগী নেগেটিভ ভোটনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসি ভিটোগী পৱার লৈখিদে অমসুং ইমর্জেন্সি মীফম পাঙথোক্ল বগী রিজোল্যুসন অদু মেম্বর ১৫ লৈবা কাউন্সীলদা য়ুরোপ, অমেরিকা অমসুং অফ্রিকাগী মেম্বর ১১গী সপোর্টকা লোয়ননা পাস তৌখি।

মসি চহী ৪০গী মনুংদা এসেমব্লীগী ইমর্জেন্সি পাঙথোক্লবা কাউন্সীলনা মীফম কৌখিবা অহানবনি। মসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইমর্জেন্সি মীফম অদু কুমজা ১৯৮২দনি। মদু ইজরেলনা সিরিয়াগী গেলান হাইটস পায়শিনখিবগী মতাংদা পুথোকখিবা রিজোল্যুসন অমা য়ু এসনা ভিটো তৌখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।




তাবদা জেনরেল এসেমব্লীগী ইমজেন্সি মীফম পাঙথোক্লগনি। মদু লোকল মতমদা ইন্দিয়াগী নুমীদাং পুং ৮.৩০ তাবা মতমদনি। মীফম অদুনা রসিয়ানা য়ুক্রেন্দা লান্দাবগী খোঙথাং কন্দেম তৌবা অমদি রসিয়ন ক্রুপশিং খুদক্তা য়ুক্রেনদগী লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌবা রিজোল্যুসন অমা খন্নগনি। ইরাই নুমীৎতা পাঙথোকখিবা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী মীফমদা ক্রুপ লৌথোকপগী ৱাফম অসিগী ভোট লৌনবদা রসিয়ানা ভিটো তৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা জন্যুৱারীদা প্রোসিজরেল ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদ্রবা মতুংদা ইরাই নুমীৎতা অমুক সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসনগী ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদবনি।

ইন্দিয়াগী পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ টি এস তিরুমির্তিনা হায়খি মদুদি, য়ুক্রেনগী ফীভম কাউন্সীলনা মমাঙদা মীফম পাঙথোকখিবদগী হেন্না শোকচিল্লক্লিবসি য়াম্না নুংনাংনিঙাইনি। ঐখোয়না খুদক্তা ভাইওলেন্স লেপ্পবা অমসুং য়েংথিনবগী থৌওং খূদিংমক লেপ্পবা অমুক হন্না আপীল তৌরি।

দিপ্লোমেসি অমসুং দাইলোগকী লম্বীদা অমুক হন্না হল্লকপা নত্তনা ঐখোয়না অতৈ তৌনিংঙাই লৈতে। য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা বেলারসকী বোর্দরদা ৱারী শানরগনি হায়না লাউথোরকখিবা তরাম্না ওক্লদুনা তিরুমির্তিনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইরাই নুমীৎতা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিগা থাংজ নুমীৎতা ৱারী শানখিবদা অসিগুম্বা দিপ্লোমেসিগী পাম্বৈ অসি কন্না শৌগৎখি। য়ুক্রেনদা লান্দারিবদু লেপহন্নবা মোস্কোদা ইথিল পীবা ঙম্বা ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা রসিয়ন লিদরশিংগা ৱারী শানবনচিংবা থৌরাংশিং পায়খৎকদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সজেসন পীবা লৈখ্রবনি।

রসিয়াগা ইন্দিয়াগা তোপ-তোপ্পা মরী অমা লৈনৈ হায়বসি য়ানিংবা উৎপগা লোয়ননা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন নেট প্রাইসনা ইরাই নুমীৎতা হায়খি মদুদি, মরী অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা ইন্দিয়ানা মোস্কোদা ইথিল পীদুনা ইন্টরনেসনল নোর্মশিং ঙাকহনবা হায়বসি য়ু এসকী অপাম্বনি। নোংমাইজিং নুমীৎতা ভোট লৌনখিবা মতুংদা য়ু এসকী পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ লিন্দা থোমাস-গ্রীনফিল্ডনা হায়খি মদুদি, রসিয়াবু লৈবাক অসিনা তৌখিবা থবক থৌওংশিংগী থৌদাং নমদুনা য়াহনবা হায়বসিদা মেম্বর ষ্টেটশিংগী থৌনা খরদি উৎপা মথৌ তাগনি। ইন্টরনেসনল সিষ্টমদা অকিবা পীরিবসি থেংননবা ঐখোয়না থোইদোক হেন্দাকপা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবগী অয়ুক পুং ১০

# রসিয়াগা ৱারী শাননবা য়ুক্রেনগী দেলিগেসন বেলারসকী বোর্দরদা থুংখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবগী অথেংবদা রসিয়ন রিপ্রজেন্টেটিভশিংগা মীফম পাঙথোক্লবগীদমক য়ুক্রেনগী দেলিগেসন অমা বেলারসকা তায়নবা বোর্দরদা থুংখ্রে।

মীফম অদু মরুওইনা খুদক্তা সিজ ফায়র পুরক্লবা হোৎনবা অমদি রসিয়ন ফোর্সশিং হন্দোকপগী ৱাফমদা মীৎয়েং থমগনি হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্সিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, দেলিগেসন অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর ওলেক্সি রেজনিকোভ অমসুং প্রসিদেন্সিএল এদভাইজর মাইখাইলো পোদোলয়াক য়াওরি। ব্লাদিমির পুটিননা মহাক্কী মিলিটরিনা রসিয়াগী ন্যুক্লিয়র দিটরেন্স ফোর্সশিং মীকুপ-নাহুম শীংনা লৈনবা খঙহনখ্রবনি। মসি রসিয়ন লিদর অসিনা মহাক য়ুক্রেনগী কেম্প্যেনদা মায় পাক্লবগীদমক্তা খ্বাইদগী শাথিবা খোঙথাং লৌখৎনবা শেম-শারে হায়বা উৎপা ইনৌ নৌবা সিগনেল অমনি হায়না লৌনরি। মোস্কোনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শেল-থুমগী অথিংবশিংদগী লৈবাক অসিগী ইকনমিদা শোকহন্দনবা ইমর্জেন্সি থৌরাংশিং লৌখৎলকপগা ঈরোয়নন য়ুক্রেনিয়নশিংগা ৱারী শানবগী খোঙথাং অসি লাকপনি।



য়ু এস অমসুং লৈবাক অসিগী য়ুরোপকী মীচঙশিংনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা মোস্কোগী সেন্ট্রেল বেঙ্ককী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রসিয়ন লেন্দরশিংবু য়াম্না মরুওইরিবা স্বিফ্ট ফাইনান্সিএল মেসেজিং সিষ্টমদগী লৌথোকখি।

রসিয়াগী সেন্ট্রেল বেঙ্কনা মতম খরগী ওইনা নন-রেসিদেন্সশিংবু সিক্যুরিটিশিং য়োনবা থিংখিবগা লোয়ননা মসিগী বেঞ্চমার্ক রেটসু শরুক অনী হেনগৎহনখি। ফাইনান্সিএল ওথোরিটিশিংনা রসিয়ন কম্পনিশিংবু মখোয়গী হার্দ করেন্সি অয়াম্বা য়োনবা য়ানবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি।

চৈরকসিদা, য়ুক্রেনদা নুমীৎ হুম্না খুৎ থোক্লখিবদা মীচম ৯৪ শিখিবগা লোয়ননা সিবিলিয়ন কেজ্যুএল্টি মশীং পুন্না ৩৭৬নি হায়না য়ু এন হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং টিম অমনা কনফর্ম তৌখ্রে। য়ু এন রিপোর্ট অমনা হায়, রসিয়ানা লান্দাবদগী থোক্লিবা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অদুনা শাথিবা হ্যুমেনিটরিয়ন প্রোব্লেম কয়া লাকহল্লে। সিবিলিয়নশিংনা নংলিবা মীশি-মীনাশিংগী মশীং য়াম্না হেনগৎলকপা য়াই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনবু মালেমগী লোশিংগী মায়োক্তা লান থোকহল্লি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা য়ুক্রেনবু শৌগৎকনি অমসুং রসিয়াগী মায়োক্তা পনিসমেন্ট পীনবগী খোঙথাংশিং মখা তানা লৌখৎখিগনি হায়খি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নসু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মোস্কোগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া লাউথোকখিবগা লোয়ননা পুটিননা য়ুক্রেন্দা লান্দারিবা অদু মহাক্লা হান্না থৌরাং তৌখিবা মওংদা থুনা মায় পাকপা ঙমদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে হায়রি।

কিভকী দেলিগেসন অদুনা কনিদসন য়াওদনা রসিয়ন ওফিসলশিংগা বেলারসকা তায়নবা মহাক্কী লৈবাক্কী বোর্দরদা উনগনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা লাউথোক্খ্রবনি।

# কিদনেপর হাৎখ্রে, হোষ্টেজ কনখ্রে

কাবুল, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

অফঘান ক্যেরটেকর গভর্ণমেন্টকী ইন্টল্লিজেন্স পর্সনেলশিংনা কেপিটেল কাবুলগী নোংচুপথংবা চিদাইদা চথখিবা রেইদতা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা থবক তৌবা মীওই কাঙবু অমা থেংনখিবগা লোয়ননা কিদনেপর অমা হাৎখ্রে অমসুং অতৈ মীওই মরি ফাগৎখ্রে।

কাবুল দিপার্টমেন্ট ওফ জেনরেল দিরেক্টোরেট ওফ ইন্টল্লিজেন্স (জি দি আই)না নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঘমন দিষ্ট্রিক্টকী কুৰ্ঘা এরিয়াদা স্পেসল ওপরেসন অমা চথবদা অব্দুল গাফর কৌবা মীওই অসি কিদনেপরশিংদগী রেস্ক্যু তৌখি হায়না গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি। গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিংগী মতুংইন্না ইরাই নুমীৎতগী কাবুল অমসুং মসিগী অকোয়বা প্রোভিন্সশিংদা ক্লিয়ারেন্স ওপরেসনশিং চথবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কিদনেপর ৯, ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিটেন্ট তরুক অমসুং হুরান-চিন্থি তৌবা মীওই ৩৫ ফাবগা লোয়ননা য়াম্লবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিং রিকোভর তৌখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

# ক্রেমলিননা জেলেন্সকি হাৎনবা কিভতা মর্সিনরি ৪০০ থাখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকি হাৎননবা রসিয়ন মর্সিনরি ৪০০ হেন্না অফ্রিকাদগী পাইশিনখ্রে হায়না দেলি ম্যেলগী রিপোর্টনা হায়রি।

মোস্কোবু নোংপোকথংবা য়ুমথংনবা লৈবাক পায়শিনবা ঙমহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা জেলেন্সকি অমসুং গভর্ণমেন্টকী অতৈ মীওই ২৩ হাৎননবা ব্লাদিমির পুটিননা ৱেগনর গ্রুপ কৌবা প্রাইভেট মিলিস্যা অমদা ওর্দর তৌখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, পুটিনগী সেফ হায়না তোয়না খঙনদুনা লাকপা রসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিগা য়াম্না নকশিন্নবা মীশক অমা ওইরিবা ওলিগার্ক য়েভগেনি প্রিগোঘিননা চলাইবা নেকপা য়াবা আর্মিগী মীওইশিং চয়োল মরিগী মমাঙদা অফ্রিকাদগী পাইশিনখি অমসুং মিসন অদুগীদমক্তা মখোয়না য়াম্লবা শেনফম অমা ওফর তৌরি।

নীংথিনা ট্রেন তৌরবা ওপরেটিভশিং অদু হৌজিক ক্রেমলিনদগী ওর্দর পীরকপা ঙাইরি। ওর্দর হেক ফংবগা মখোয়না খনগৎলবা য়ুক্রেনগী লিদরশিং হাৎপগী থবক চথরগনি। মখোয়গী হিট লিষ্টতা য়ুক্রেনগী প্রাইম মিনিষ্টর, কেবিনেট পুম্বা, কিভকী মেয়র ভিতালি ক্লিটসকো অমসুং মহাক্কী ময়াম্বা ব্লাদিমিরসু য়াওরি। অকোনবগী মচিন-মনাও অনী অসি কেপিটেলগী ফ্রন্টলাইনশিংদা মশক নাইবা মীশকশিং ওইরকখ্রবা বোক্সিং চেম্পিয়নশিংনি হায়রি।



অদুম ওইনমক থৌরাং অদু থাংজ নুমীৎকী অয়ুক্তা য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংগী নাকোং য়ৌরকপদগী অরেম্বা তাবগী ফীভম লাকখি। থৌরাং অদুগী পাউ হেক ফংবগা কিভনা পুং ৩৬কী অকনবা কর্ফিয়ু লাউথোক্তুনা মীপুম খূদিংমক য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখি। কর্ফিয়ু মনুংদা য়ুমদগী মপান থোক্লবদি সিটিজনশিং মীশি-মীনা থোক্লকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা অকনবা ৱার্নিং পীখি।

ৱেগনর গ্রুপকী এক্টিভিটিশিংগী নোলেজ লৈবা ছোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা জন্যুৱারীদা য়ুক্রেনদা মর্সিনরি ২০০০ দগীনা ৪০০০ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মিসনশিংদা থুংখি। মর্সিনরি খরা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা দোনেটস্ক অমসুং লুহানস্কতা থাখি। মর্সিনরি ৪০০না জেলেন্সকি হাৎপগী ওর্দরগা লোয়ননা বেলারসতগী কিভ পাঙহনখি। গ্রুপ অদুনা জেলেন্সকি অমদি মহাক্কী কোলিগশিংবু মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংগী খুথাংদা ট্রেকিং তৌরি। মখোয়না য়ুক্রেনগী লিদর অমদি কোলিগশিং মতম পুম্নমক্তা কদায়দা লৈবগে হায়বসি খঙবা ঙম্মী হায়না ক্লেম তৌরি হায়রি। অতোপ্পা ছোর্স অমনা ক্লেম তৌরি মদুদি অনেকপা কিল্লরশিং অদু পুটিননা চয়োল অসিদা জেলেন্সকিগা ৱারী শানরিঙৈ মনুংদা মখোয়গী থবক পাঙথোক্তনবা খঙহনখ্রে।

# ‘য়ু এননা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিং য়ুক্রেনগী ফীভম ঈংহনবদা মতেং ওইগদবনি’

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং য়ুক্রেনগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম ঈংহনবদা মতেং পাঙবগা লোয়ননা দিপ্লোমেটিক সোল্যুসনশিং পুরকপদা খুদোংচাহনগদবনি অমসুং উংখৎনবা ফীভম লাকশিনবদা মতেং ওইগদবনি হায়না য়ু এনদা লৈবা চাইনাগী পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীগী ইমজেন্সি স্পেসল সেসন পাঙথোক্তুনা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসকী মতাংদা খন্ননবা অমদি ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা পুন্না লৌখৎমিন্ননবা এক্সন রেকমেন্দ তৌনবগী ৱাফম য়াওবা রিজোল্যুসন ২৬২৩ নোংমাইজিং নুমীৎতা কাউন্সীলনা পাস তৌখিবা মতুংদা চাইনাগী পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ঝাং জুননা ৱাফম অসি য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীল (য়ু এন এস সী) দা ফোঙদোকখিবনি।

সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মদু চহী ৪০ মুক্কী মনুংদা কাউন্সীলনা য়ানবা পুরকপা অহানবা রিজোল্যুসননি। ঝাননা হায়খি মদুদি, খ্বাইদগী মরুওইনা




লৌখৎকদবা খোঙথাংদি পার্টি পুম্নমক্না য়ুক্রেনগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি হেন্না লুশিল্লকপা থিংনবা পূক্নিং ফাথনবনি। য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসিবু ঈংনা চিক্না লৈখায় তাহনগদবা দিপ্লোমেটিক্কী থৌরাং পুম্নমক চাইনানা শৌগৎলি অমসুং পূক্নিং থৌগৎলি।

লোয়ননা লৈবাক অসিনা খ্বাইদগী থুবা মতমদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শানবগী খোঙথাং তরাম্না ওকই। য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটি ইস্যুশিংগী মতাংদা মান্নবা মীৎয়েংদা য়ুরোপিয়ন সাইদ অমসুং রসিয়ানা ৱারী শানবা অমদি সিক্যুরিটিগী ৱাফম অসি মচেৎ-মকায় ওইনা খন্নবা য়াদবগী প্রিন্সিপল চাইনানা শৌগৎলি। মসিনা মমৈথংদা তুং কোয়না চৎকদবা য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটি মেকানিজম অমা লাকহনগনি।

এম্বেসেদর অসিনা মখা তানা হায়, সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা রিজনল পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটি লোয়ননা লৈবাক পুম্নমক্কী য়ুনিভর্সেল সিক্যুরিটিদা খ্বাইদগী মরুওইবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী ইস্যু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা কন্সত্রক্টিভ থৌদাং লৌগদবনি হায়না চাইনানা থাজৈ। অলবেনিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সবমিট তৌখিবা দ্রাফ্ট রিজোল্যুসন অদু মেম্বর ১১না শৌগৎখি। তৌইগুম্বসুং মদু রসিয়াগী নেগেটিভ ভোট ফংখি।

# রসিয়ন এসেটশিং চয়োল অসিদা ফ্রিজ তৌবা য়াই

বর্ন, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

স্বিটজরলেন্দদা লৈরিবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিংনা য়াম্না থুনা চয়োল অসিগী মনুংদা রসিয়ন এসেটশিং ফ্রিজ তৌরকপা য়াই হায়না স্বিস প্রসিদেন্ট ইগনাজিও কাসিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দারিঙৈ চৈরকসিদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। কাসিসনা হায়খি, স্বিটজরলেন্দদা মতম শাংনা ন্যুত্রেল ষ্টেটসতা লৈরক্তুনসু অসিগুম্বা সিনারিও অমা লাকপা য়াই হায়না কাসিসনা ফোঙদোকখি। নোংমাইজিং নুমীৎতা স্বিস টেলিভিজন ষ্টেসন আর টি এসতা ৱা ঙাংলদুনা কাসিসনা হায়খি মদুদি, স্বিস গভর্ণমেন্টনা এসেটশিং ফ্রিজ তৌবগী খোঙথাং অসিগী মতাংদা হয়েং ৱারেপ লৌরবা য়াই।

অমরোমদা, হৌজিক ফাওবা ৱারেপ লৌদ্রিবা ৱাফমশিংগী



মতাংদা মহাক্না শাংনা পনবা পামদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট কাসিসনা মখা তানা হায়, স্বিটজরলেন্দগী পোলিসীদি ন্যুত্রেলগী ষ্টেটস মেন্টেন তৌবা অসিনি। কুমজা ১৮১৫দগী হৌজিক ফাওবদা ন্যুত্রেলিটি হায়বসিনা স্বিস ফোরেন পোলিসীগী লম্বী অমা ওইদুনা লাক্লি।

মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও অমসুং মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও অনীমক্তা লৈবাক অসিনা ন্যুত্রেল ওইখি। অদুম ওইনমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা থম্বা অথিংবশিং স্বিটজরলেন্দনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা তাই। রসিয়ন বেঙ্ক অহুমদা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা রসিয়ন ষ্টেট দুমাগী ওফিসল ৩৩৬তা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা থম্লগনি হায়না স্বিটজরলেন্দনা মমাঙদা শগোলশেল নুমীৎতা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

কাসিসনা ক্লেম তৌরি মদুদি, স্বিটজরলেন্দনা কুমজা ২০১৪দা লৈবাক অসিগী ন্যুত্রেল ষ্টেটসকী মতুংইন্না রসিয়াগী মায়োক্তা হকথেংননা অথিংবা থম্বগী ৱারেপ শৌগৎখিদে। তৌইগুম্বসুং স্বিস গভর্ণমেন্টকী রেস্পোন্স কনশিল্লকপা য়াবগী ফীভম লৈরে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা অথিংবা কয়া রসিয়াগী মায়োক্তা লাউথোকখিবা মতুংদা স্বিস প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# মোস্কোনা য়ুরোপকী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা রসিয়ন নেসনলশিং হোন্নবগী থৌরাং লৌখৎলগনি

মোস্কো, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা রসিয়ন নেসনলশিং হোন্দাক্লবগী থৌরাং অমা পায়খৎলি হায়না রসিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

মোস্কোগা কিভকা লান শোক্ল রিঙৈ মরক্তা য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা মখোয়গী এয়রস্পেসপু রসিয়ন এয়রলাইনশিংনা শীজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা রসিয়ন গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। রসিয়াগী ফেদরেল এয়র ত্রান্সপোর্ট এজেন্সী অমসুং ফেদরেল টুরিজম এজেন্সীনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা রসিয়াদা লেপ্তুনা অথিংবা কয়া থম্বনা মরম ওইদুনা লৈবাকশিং অদুদা পন্দুনা লৈরিবা



রসিয়নশিং হোন্দোক্লবা মখোয়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগা তান্নদুনা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, রসিয়ন এয়রলাইনশিংনা পেসেঞ্জরশিংগী তৌফম থোকপশিং তৌনবা অমসুং মখোয়বু য়ুমদা পুবীনবা শেম-শাদুনা লৈ। তৌইগুম্বসুং ইস্যু অসিগী মতাংদা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগী এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা লৌরকপা চৎনবা য়াবা ৱারেপশিং অমদি মখোয়না লাউথোকখিবা অথিংবশিং মতাং মতমগী মতুংইন্না কোমথোকপগী মখা পোনগনি। ফেদরেল টুরিজম এজেন্সীনা য়ুরোপতা লৈরিবা রসিয়নশিংদা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ফোরেন এসিষ্টেন্ট স্মার্টফোন এপতা রেজিষ্টর তৌনবা থৌদাং পীখি।

# ঈশিং-ঈচাউ থোকপদগী ওষ্ট্রিলিয়াগী ইষ্ট কোষ্টতা ৮ শিরে

কানবেরা, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রিলিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র মপানদা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা ঈশিং-ঈচাউ থোক্তুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮ শিখ্রে। ঈশিং-ঈচাউ নংলবা মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপগা লোয়ননা স্কুলশিংসু থোঙ লোলহনখ্রে হায়রি।

ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটকী পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোরকখিবদা, ষ্টেট অদুদা ঈচাউগী ঈশিংনা মীওই অনী চেনখ্রে। মীওই অমদি ষ্টেট কেপিটেল ব্রিসবেনগী অৱাংদা শিরম্বা থেংনখি অমসুং অতোপ্পদুনা গোল্ড কোষ্টকী রুরেল লোকেল্লিটি অমদা শিরমখি।

ক্বিন্সলেন্দগী প্রেমিয়র অন্নাষ্টাসিয়া পালাসজুকনা হায়খি মদুদি, ঈশিং থুম্বগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী খা নোংপোক থংবা লমদম অদুগী ইভাক্কেসন সেন্টরশিংদা হৌজিক মীওই ১৫৪০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈ। ঈচাউনা য়ুম ১৮,০০০ লোম শোকহনবগা লোয়ননা স্কুল ১০০০ রোমসু মতম খরগী ওইনা থোঙ লোলহনখ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্বিন্সলেন্দগী ব্যুরো ওফ মেটিওরোলোজি (বি ও এম)না মসিগী ৱার্নিংদা ষ্টেট অদুদা নোং চুবগী চাং মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা এম এম ৫৩০ য়ৌরে অমসুং মথংগী নুমীৎ খরা মখা তানা নোং কন্না চুখিগনি হায়খি। নোং কন্না চুবা অমদি ঈশিং-ঈচাউ থোকপগী ফীভম অদু ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটতসু য়ৌরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

# য়ুক্রেনদা রসিয়ানা লান্দাবদা য়াওননবা বেলারসসু শেম-শারি

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অদুদা বেলারসনসু হকথেংননা শরুক য়াননবা শেম-শাবগী ইঙ্গিৎ ফংলে হায়না য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টকা নকশিন্নবা অনীশুবা ছোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুক্রেনিয়ন ইন্টল্লিজেন্সকী মথক্তা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু বেলারসনা লান্দানবা শেম-শারি হায়বসি কিভতা খঙহল্লক্লে। ৱাশিংতন পোষ্টনা অহানবা ওইনা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল অমা পল্লদুনা বেলারসনা য়ুক্রেনদা লান্মীশিং থাননবা শেম-শারি হায়না রিপোর্ট তৌখি। রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা বেলারসকী



বোর্দর মনাক্তা নিংথৌকাবা নুমীত্তা ৱারী শাননবা শেম-শারিঙৈ মরক্তা য়ুক্রেনিয়ন ইন্টল্লিজেন্সকী পাউ অসি লাকপনি।

বেলারস অসি রসিয়াগী মীচঙ অমনি অমসুং লৈবাক অসি রসিয়ন ক্রুপশিংনা য়ুক্রেনদা থোমজিন্নবা মফম অমা ওইনা শীজিন্নরি। য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিগী ওফিসনা ফোঙদোরকপদা, বেলারসকী প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর লুকাশেনকোনা নোংমাইজিং নুমীৎতা য়ুক্রেনগী মহাক্কী লেংমান্নবগা ফোনদা ৱারী শানখি। মথৌ তারক্লবদি বেলারসিয়ন ক্রুপশিংসু লান্দাবা অদুদা য়াওবা য়াই হায়না হৌখিবা চয়োলদা লুকাশেনকোনা ফোঙদোকখিবনি।

বেলারসিয়ন প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গী ক্রুপশিং ওপরেসন অসিদা মওং অমদা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা শরুক য়াবা তৌরোই। কনফ্লিক্ট অসিদা ঐখোয়না য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবগী ৱারেপ ঐখোয়না এক্সপ্লেন তৌবা পামদে। অমুক হন্না ঐহাক্না হায় মদুদি, ঐখোয়গী ক্রুপশিং য়ুক্রেনগী লান অদুদা য়াওদে। তৌইগুম্বসুং মথৌ তারক্লবদি হায়বদি বেলারস অমসুং রসিয়ানা মখোয়বু মথৌ তারক্লবদি মখোয়সু শোয়দনা লান অদুদা য়াওগনি।

# য়ুক্রেননা ক্রুপ ১,০০,০০০ মোবিলাইজ তৌখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৮ (এজেন্সী):

রসিয়াগা লান শোক্ল রিঙৈ মরক্তা য়ুক্রেননা ক্রুপ ১,০০,০০০ মোবিলাইজ তৌরে হায়না য়ুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসকী চীফ কম্মান্দর ভলেরি জালুঝনিনা ফেসবুক্তা ফোঙদোকখ্রে।

জালুঝনিনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, মোবিলাইজ তৌখিবা ফোর্সশিং অদুগী তঙ্খায় অমরোমদি য়ুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসকী টেরিটরি দিফেন্স ফোর্সতগীনি। লৈবাক অসিনা প্রিপয়াট তুরেলগা নক্লনা বেলারসিয়ন-য়ুক্রেনিয়ন বোর্দরদা রসিয়াগা ৱারী শানবগী ৱাফম য়ারে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা নোংমাইজিং নুমীৎতা সোসল



মীদিয়াগী খুথাংদা ফোঙদোকখি।

ৱারী শানবগী ৱারেপ অদু জেলেন্সকি অমসুং বেলারসিয়ন প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর লুকাশেনকোগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শানবদা লৌখিবনি। মদুগী মমাঙ নোংমাইজিংগী অঙনবদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লৈবাক অদুগী দিটরেন্স ফোর্সশিং মীকুপ নাহুম শীংনা লৈহন্নবা ওর্দর তৌখি। তোপ দিফেন্স ওফিসলশিংগা লোয়ননা পাঙথোকপা মীফম অমদা মহাক্না ওর্দর অদু তৌখিবনি।

পুটিননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু রসিয়াগী মায়োক্তা শেল-থুমগী অথিংবশিং থল্লিবদু লোনা য়াদবা মওংদনি হায়না মরাল শীখি। চৈরকসিদা, কিভকী ফীভম য়ুক্রেনিয়ন আর্মিগী কন্ট্রোল মখাদা হৌজিকসু লৈরি হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা য়ুক্রেনিয়ন আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে। য়ুক্রেনিয়ন আর্মিগী গ্রাউন্দ ফোর্সেসনা ফেসবুক্তা ফোঙদোরকখিবদা, রসিয়ন ক্রুপশিংনা অহিংগী মতমদা কিভকী চিদাইদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনরকখিবা কয়া হঞ্জিন হঞ্জিন মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা কেপিটেল কিভ মখা তানা কন্ট্রোল তৌরি। রসিয়ন ক্রুপশিংনা সিটি কয়াদা এয়র রেইদশিং চথখ্রবসু কেপিটেল কিভয়াওনা মরুওইবা সিটিশিং হৌজিক য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরি।